# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 09-07.2024)

**খূৎলায় (এল)ঃ** সি.আর.পি.এফ, অসাম রাইফলস অমদি রাজ্য পুলিসকী অপুনবা কাংবুনা কাংপোকপী জিলাগী ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা হেংজোল ভিলেজতা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবা মীওই অহুম ফারে। মখোয়দগী এ.কে. সেরিজগী নোংমৈ অহুম ফংলে।

মফম অদুদা ওপরেসন চথনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চংশিনবদা মফম অদুদা হান্না লৈরম্বা নুপীশিংনা থৎনবা হোৎনখি। মদুদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা টিয়ার গ্যাস সেল কাপ্পদা নুপী অনি-অহুম অশোক অপন নংখি হায়রি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** কংগ্রেসনা হায়রি-বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধিগী মনিপুর খোঙচৎ অসি নোংম খক্কী ওইরবসু য়ামা মগুন লৈবা খোঙচৎ অমনি।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি) গী ইম্ফালদা লৈবা দল অসিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা হায়-বিরোধি লুচিংবা ওইরবা মতুংদা মনিপুরগী হৌজিক ওহরিবা ফিভম অসি শ্রী রাহুল গান্ধিনা লুমা লৌবগা লোয়ননা ইরাং অসি মতৌ করমা লোয়শিনগদগে হায়বগী মতাংদা সরকারদা ৱাফম কয়া পুখৎনবগীদমক মহাক মনিপুরদা লাকখিবনি। লাল তৌনবনা শান্তি পুরক্লোই। কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা খক্তনা লমদম অসিদা শান্তি পুরকপা ঙমগনি হায়বা মহাক্কী ৱাখল্লোন অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা থমখিবা ৱাফমশিং অদুনা মহাক্কী খোঙচৎ অসি শান্তি পুরকবা খোঙচৎনি হায়বদু ময়েক শেংলে। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা জিরিবাম, চুরাচান্দপুর অমদি মনিপুরগী তম্পাক্কী মফমশিংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা মনিপুরদা হৌজিক লৈরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি লোয়শিনদুনা শান্তি হনজিলহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়বা মেমোরেন্দম কয়া

পীদুনা মহাকা করিগুম্বা খরা তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা থমখিবা অদুম্মক কংগ্রেসনা সি.এস.ওশিংবু থাগৎলি হায়নসু শ্রী মেঘাচন্দ্রনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**রাহুল (এল)ঃ** পি.ঐচ.ই. মন্ত্রি-লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোনা, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিগী মনিপুর খোঙচৎ অসি রাজ্য অসিগী মীয়ামদা উৎ চায়বনি হায়না মরাল শিরি।

ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মন্ত্রিনা হায়-শ্রী গান্ধিগী খোঙচৎ অদুদা কুকিশিংগী লুপ আই.টি.এল.এফনা পীশিনবা মেমোরেন্দম অদুদা মমাংগী লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ফোংখিবা কংগ্রেস দলগী মেনিফেষ্টোদা য়াওখিবা পোলিটিকেল সেট্টলমেন্ট পুরকবা হোৎনগনি হায়বা ৱাফম থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়বা ৱাফম য়াওরি। মসিনা তাকপদি শ্রী রাহুলগী খোঙচৎ অসি করিনো হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে। মহাক্কী খোঙচৎ অসি মনিপুর কন্নবগীদমক লাক্লিব্রা নৎত্রগনা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্নবগীদমক লাক্লিব্রা হায়না মন্ত্রিনা মখা তাখি।

শ্রী সুসিন্দ্রোনা মখা তানা বি.জে.পি. সরকারনা রাজ্য অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিং কন্ননবা পান্দমদা এন.আর.সি. চৎনহন্দুনা মীতোপশিং খন্দোকপগী থবক মখা তানা চথখিগনি। সরকারনা রাজ্য অসিদা শান্তি পুরক্তুনা হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌবগী থবক তৌবিগনু হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

**সিপিআই (এল)**ঃ সি.পি.আইগী দিল্লিদা লৈবা হেদক্বাটর-অজয় ভবনদা দল অসিগী নেসনেল কাউন্সিলগী মীফম থা অসিগী ১৩ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্তুনা লৈবাক অসিগী রাজনিতিগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নগনি হায়না সি.পি.আই. মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-মীফম অসিদা রাজ্য অসিগী দলগী

মীহুৎশিংসু শরুক য়াগনি। মদুদা, মনিপুরগী ওইরিবা ৱাফমশিং পুখৎকনি। ইন্দিয়া ব্লোক্তা য়াওরিবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবা দল অমা ওইরিবা কংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ঙরাং মনিপুরদা লাক্তুনা লাল নংলবা জিরিবাম, চুরাচান্দপুর, ফুবালাদা লৈবা রিলিফ কেম্পশিং য়েংশিল্লন্বা অমদি রাজ্য অসিগী রাজ্যপালগা উন্নখিবা অসি নেসনেল দেমোক্রেটিক ইনক্লুসিপ এল্লাইয়েন্স (আই.এন.দি.আই.এ) ব্লোক-মনিপুর চেপ্তুর অমসুং রাজ্য অসিগী মীয়ামগী ওইনদি য়ামা চাউথোকচনিংঙাইনি।

অমরোমদা, শ্রী গান্ধিগী খোঙচৎ অদুদা মীতৈ-মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী ৱারোল তরুক য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। মদুদা, মীতৈ-মৈতৈশিংবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহল্লু হায়বা ৱাফমসু য়াওরি হায়না য়ুনিয়ন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী চকপিকারোং ব্লোক্কী মনুং চন্না লৈবা চকপিকারোং বেপটিস চর্চ কম্যুনিতি হোলদা এসপরেস্নেল ব্লোক প্রোগ্রামগী মখাদা নিতি আয়োগস সমপুরনাতা অভিয়ান হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদু ভারত সরকারগী নিতি আয়োগকী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেলনা শিন্দুনা হৌদোকখিবনি। থৌরম অদুদা এন.সি.দি.সেল দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা শিনদুনা দাইবেটিস অমসুং হাইপরটেন্সনগী স্ক্রিনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকপগা লোয়ননা লৌমীশিংদা সোইল হেলথ কার্ডসু য়েন্থোকখি।

**প্লাষ্টিক (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা কোনবা মফমশিংদা প্লাষ্টিক বোট্টর টেঙ্কশিং মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

প্লাষ্টিক বোট্টর বেঙ্কশিং অদু ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মখাদা কাউন্সিল অসিনা কোনবা মফমশিং লু-নান্না থমবগীদমক খুৎশিন্নখিবনি।

**দিএময়ু (এল)ঃ** ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী রিগুলর ভাইস চাঞ্চেল্লর অমদি রেজিস্ত্রার হাপ্পু হায়বা দাবী তৌদুনা য়ুনিভরসিতি অসিগী মহৈরোইশিংনা ঙসি খোঙজং কয়া চংশিনখ্রে।

খোঙজং অদু য়ুনিভরসিতি অসিগী মখাদা লৈবা কন্সটিট্যুয়েন্ট কলেজ তরুক্কী মহৈরোইশিংনা চংশিনখিবনি।

**এনইঃ** অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা ইনর্জি হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী পৱার মন্ত্রিশিংগী মীফম অমা গুৱাহাতিদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

পৱার মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়-কেন্দ্রগী পৱার মন্ত্রি-মনোহর লালনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা থেংনরিবা মৈগী অৱাৎপা সমস্যাশিংগী মতাংদা নীংথিনা খন্নখি। মীফম অসিনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা মৈগী ফিভম ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়বগী থাজবা মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**মেট (এল)ঃ** মেট দিপার্টমেন্ট-ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-রাজ্য অসিগী জিলা খুদিংমক্তা থা অসিগী ১৫ ফাওবা নোং চুখিগনি হায়রি। তমেংলোং, সেনাপতিল কামজোং, জিরিবাম, নোনে, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলদা ঙসি অখাক অরাও য়াওনা নোং চুগনি। হয়েংনা উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল, চান্দেল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাদা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুগনি।

থা অসিগী ১৩ দনা তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলদা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুগনি হায়না জিলাশিং অসিদা য়েল্লো এল্লার্ট লাউথোকখ্রে।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে ২০২, উখ্রুল-জেসামি লম্বীদা চিং

নিংখায়বদগী লম্বী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা মায়োকরে। চিং নিংখায়বা অদু উখ্রুল টাউন্দদগী কিলোমিটর ৭ লোম চৎলগা লৈবা ওল সেন্ত্রেল জেল অমদি ন্যু লাংদাং খুল অনিগী তায়নবদা থোকখিবনি। চিং নিংখায়বগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা লম্বী অসিদা গাড়ি কয়া পন্দুনা লৈরি। লম্বী অসি থা অসিগী অনিদা নমথবদগী লোকেল এম.এল.এ. য়াওনা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলনা শেমজিনখ্রবা মতুং মখা তানা নোং চুবদগী ফুট ৩০০ রোম শাংনা নিংখায়রকপনি।

**ফ্লড(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈরাও বিত্রা সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা মফমশিংদা ঈচাওনা মাঙহন তাকহনখ্রবা য়ুমশিংগী রিপোর্ট খোমগৎকদৌরি।

রিপোর্টশিং অদু টিম মঙা থোকা এস.দি.সি-কৈরাও বিত্র, তুলিহল অমদি হেদক্বাটরনা লুচিংদুনা চঙ্খগনি। থা অসিগী ১১ দা চঙ্খগদবা সর্ভেগী রিপোর্ট মথংগী নুমিৎতা পীখৎলক্কদবনি হায়রি। রিপোর্ট অদুদা ঈচাওনা শোকহনখ্রবা য়ুমশিং কয়া য়ামা অমাং অতা থোকহনখ্রবগে হায়বা, য়ুমশিং অদু কটচা, সিমি পাকা, পাকাগী য়ুমশিংলা হায়বদু নিংথিনা জিওটেক ফোটো লৌরগা থাগৎলক্কদবনি। থাগৎলকপা মতমদা য়ুম্মুগী অধার কার্ড অমসুং বেঙ্ক একাউন্টকী অকুপ্পা মরোলশিং য়াওহল্লক্কদবনি হায়না ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী এস.দি.ও. কৈরাও বিত্রনা হায়রি।

**কবুই(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা গাইপুইনম কবুই খুলগী তুরেল ময়াদা ফিট মঙাগী ময়াদা থাজিল্লম্বা য়ুম-কৈ অমদি দুকানশিং ঙসিদগী শিদোকপা হৌখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা গাইপুইনম পৈকাইনা এস.দি.ও. ইম্ফাল ইষ্টতা পীরকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না ইভিক্সনগী থবক অসি তুরেল খোঙবানগী ফিট মঙা পাক চাউবগী মনুংদা শাজিল্লম্বা য়ুম-কৈ অমদি দুকানশিং তকথোকপা লোয়দ্রিবা ফাওবা চঙ্খগনি। রাজ্য সরকারনা মফম অসিদা ঈশিং ঈচাও থোকপা থিংনবা চংশিনবা থৌরাংদা শৌগৎতুনা ইভিক্সন অসি চঙ্খবনি।

**লমলাই(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই কেন্দ্রগী মনুং চনবা শাবম লময়াই লৌকোন অসি হৌজিকসু মখা তানা ঈশিং থুমজিনদুনা লৈরি।

মসিনা মরম ওইদুনা লৌকোন অসিদা চহি অসিগী ওইনা মহৈ মরোং থাবা হৌখ্রবা মতুং ঈচাও থোকপদগী মহৈ-মরোং কয়া অমাং অতা থোক্লে। মসিনা মরম ওইরগা কেন্দ্র অসিগী মনুং চন্না লৈবা ক্লব অমসুং মীয়ামগী মায়কৈদগী সরকারগা মরি লৈনবা বিভাগশিংনা মীৎয়েং চংদুনা লৌমীশিংদা পাংবা য়াবা তেংবাং পীবিয়ু হায়দুনা সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

**লেবর (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা এক্তিব লেবর কার্ড হোল্ডরশিংনা শেনবা চহি ২০২২-২৩ গী মখাদা মনিপুর বিল্ডিং এন্দ আদরস কন্সত্রক্সন ৱাকর ৱেলফিয়ার স্কিম ২০২২ গী ওইনা অঙাংশিংগী মহৈ মশিং তম্বগী ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্টস স্কিমগী এপ্লিকেসন ফোর্ম সব্মিসনগী মতম আগষ্ট থাগী ৩১ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না মনিপুর বিল্ডিং এন্দ আদরস কন্সত্রক্সন ৱাকর ৱেলফিয়ার বোর্ডনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নবদগী থৌবাল জিলাগী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী ওইনা ঙসিদগী হৌদুনা নুমিৎ নিনি চুপা চথুগদবা কাউনা গ্রাস ক্রাফটকী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম ঙসিদগী জিলা অসিগী খাঙবোক্তা লৈবা রাইজ রিছার্স ষ্টেসনদা হৌখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাস, এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার-আরবিন হাংলেম অমদি ত্রেন্নিং ইন্সক্তর ইনমেট-অঙোম সঙ্গিতা অমদি হেন্দিক্রাফটকী প্রোপাইটর ত্রেন্নর-খুন্দ্রাকপম লাতা শরুক য়াখি। ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা জিলা অসিগী ৱাংজিং কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স, লমদিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমদি রাইজ রিছার্স ষ্টেসন-খাঙবোক্তা লৈবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওই ৩৯ না শরুক য়াখি।

**হার (এল)ঃ** লময়ানবা ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপাইটর-ডা: এলাংবম অমিতনা ঙসি হিয়াংলম অৰাং লৈকাইদা মফম অদুগী লৌমীশিংনা লৌ পানবা হৌনরক্লবা মতমদা হার ফংদবগী অৰাবা মায়োকরিবা অদুগী য়েংলগা লৌমীশিংদা সরকারনা লেপ্লা মমলদা হারশিং ফংহনখ্রে।

শ্রী অমিতকা উন্নবা অমদা মহাকা হায়-মখা তানসু লৌমীশিংগী দরকার লৈবা হারশিং লেপ্তুনা ফংহন্নবা হোৎনগনি।

**মাও(এল)ঃ** ইম্ফালদা লৈবা মাও টেম্পরেরি মার্কেট ওইনা ফম্বা চহি ১০ মপুং ফারকপগা মরি লৈননা সেফ আর্থ প্রোটেক্ট ইনভাইরোনমেন্ট হায়বা থিমদা চথরকখিবা ক্লিনলিনেস কেম্প ঙসি লোয়শিনখ্রে।

কেম্পেইন অদু মনিপুর সরকারগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগ, ইপসা, মাও ৰিমেন বিজিটেবল ভেন্দর অমদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসনগা পুন্না খুৎশমনা শিনদুনা চিংমৈরোং কবো লৈকাই মনাক্তা লৈবা মাও-ইম্ফাল টেম্পরেরি মার্কেট সেটকী অকোইবা মফমশিংদা চথরকখিবনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-ককচিংনা শিনদুনা ককচিং জিলাগী দি.এস.এ. গ্রাউন্দদা চথরিবা ২১ রক শুবা ক্ষেত্রি লৈহাউ দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগতা এস.ডল্লিয়ু.সি. কৈরক অমসুং এল.এম.এল.সি.সি-লাংমৈদোং শান্নবদা এস.ডল্লিয়ু.সি. কৈরকনা পাঞ্জল ৩-২ দা মায় পাকখ্রে।

গ্রাউন্দ অসিমক্তদা শান্নখিবা অনিশুবা মেটচতা এল.ৰাই.এ.-ৰাংঙুনা ভি.বি.এস.এ-মন্তকপু পাঞ্জল ১২-০ দা থোইখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্রা মোদিনা হায়রি-মহাক্কী সরকারগী পান্দমদি লৈবাক অসি মালেমগী খ্বাইদগী শেল থুমগী ফিভম ফবা অহুমশুবা লৈবাক ওইহনবনি।

রাসিয়াগী মোস্কোদা ভারত মচাশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিনা হৌজিক্তি তৌগে খনখিবা থবকশিং মায় পাকা পাঙথোকপা ঙমলে। মহাক্কী অহুমশুবা টার্মগী সরকার হেক পায়রকপদগী মীরমদা লৈবা ভারত মচাশিংনা মহাক্কা ৱারী শান্নবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-হৌজিক লৈবাক অসিনা পাল্লিবা অসি করিগুম্বা থবক অমা তৌবা মতমদা চেকশিন্না অমদি অতৈনা পাঙথোকপদগী শরুক অহুম হেনগৎনা তৌবা ঙমহনবা হায়বসিনি।

মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগা য়েংনবদা ভারত অসি দিজিটেল ত্রান্সজেক্সনদা খ্বাইদগী ফবা লৈবাক অমা ওইরি। মসি হেন্না হেন্না ফগৎলক্কনা অখন্নবা সেক্তর অমা ওইরক্কদৌরি। মালেমগী লৈবাকশিংনা ভারতনা থাক অসি য়ৌনা চাউখৎলকপদা অঙকপা পোকরি।

**অসামঃ** অসামদা ঈশিং ঈচাউগা মরী লৈননা হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই ৬ অমগসু লৈখিদ্রে। রাজ্য অসিদা ঈচাউগী ফিভম তপা তপা ফগৎলক্লবসু জিলা ২৭ কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীওই লাখ ২২ রোম ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। লৌফম হেক্তর লিশিং ৪৯ হেনবদা ঈশিং থুমজিনবদগী মহৈ মরোংশিং অমাং অতা থোক্লে।

এন.দি.আর.এফ অমসুং এস.দি.আর.এফকী টিমশিংনা হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই ২১৮ শাফগদবা মফমশিংদা থংদোরকখ্রে। হৌজিকসু ব্রহ্মপুত্র, বরাক অমসুং তুরেলশিং অসিগী মশা মরেংশিংদা খুদোংথিনিঙাই ওইবা থাক্কী মথক্তা ঈশিং চেল্লি। ঈচাউ অসিনা লন্মী ১২৭ অমসুং থোং অনি অমাং অতা থোকহনখ্রে। রাজ্য সরকারনা রিলিফ কেম্প ২৪৫ অমসুং রিলিফ দিষ্ট্রিব্যুসন সেন্তর ২৯৮ হাংদোক্লি। মীওই লিশিং ৫৩ হেন্না হৌজিক রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরি।